হুইয়েন লানপাউ

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতা দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা শীন্দুনা পাঙথোকপা নুমিৎ ৭ নিগী ন্যুজ রিপোর্টিংগী বেসিক কোর্স হৌদোকপা

কঞ্জুমর রাইট এন্দ নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মতাংদা থাংমৈবন্দ এঠেলেটিক য়ুনিয়নদা পাঙথোক-খিবা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস কেম্পগী থৌরম

এদিটর'স গিল্ড মণিপুরনা শীন্দুনা পেলেস গেটতা লৈবা ষ্টেট ইনফোর্মেসন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্দ প্রেস ফ্রীদম দে-২০১৭ কী থৌরম

ট্রেনিং প্রোগ্রাম ওন ইক্বিপ্পিং দ ষ্টুদেন্ট'স টু ফেস চেলেঞ্জ ওফ ২১ সেঞ্চুরি এদ্যুকেসন : রোল ওফ টিচরস এন্দ সোসাইটি হৌদোকপগী থৌরম

Vol. 41, Issue No.040 | শগোলশেল, কালেন ৯ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Thursday, May 04, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩৫.৫৭ °C	২০.৩৪ °C
সীসীপুর	২৯.১৩ °C	১৬.৫৪ °C
ইম্ফাল	৩০.০৫ °C	১৬.৩৮ °C
সেনাপতি	২৮.৯৯ °C	১৩.৯৫ °C
তমেংলোং	৩১.৮৮ °C	১৬.৭৬ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২২.১৮ °C	১৩.০৮ °C
মণিপুর	৩৫.৫৭ °C	১৩.০৮ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৬
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

লিগেল এদভাইজরগী মথৌ মঙম পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ : চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর (লিগেল) হাপখ্রবা সিনিয়র এদভোকেট এন জি কুমারজিৎনা পুগদবা মথৌ মঙমশিংগী মতাংদা ঙসি দি পিনা চেরোল অমা থোকখ্রে। চেরোল অসিগী মতুংইন্না এদভাইজর (লিগেল)না লোগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরদা পাউতাক পীগনি অমসুং মঙোন্দা চীফ মিনিষ্টরনা শীন্নবা লোগী ওইবা অতে দ্যুটিশিং পাঙথোক্কনি। লৈঙাক্কী লো অমসুং লেজিসলেটিব এফেয়র্সনা শীন্নবগী মতুং ইন্না মহাক্লা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মহুৎ শীন্দুনা মণিপুরগী হায় কোর্ট নৎত্রগা অতৈ কোর্টশিংদা কেসশিং কন্দক্ট তৌগনি অমসুং প্লিদ তৌগনি।

লাইসেন্স ভেরিফিকেসন

ইম্ফাল, মে ০৩ : দ্রাইভিং লাইসেন্স নৌনা ভেরিফিকেসন চথননবা লৈঙাক্লা খঙহনখিবা মতুংইন্না ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টতা অখন্নবা সেল অমা হাংদোক্তুনা পুং ২৪ চুপ্পা মথৌ তৌহন্নবা দিরেক্টোরেট অসিনা চেরোল অমা থোকখ্রে। চেরোল অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওই ৫ খুদক্তগী থবক পুননবা থৌদা শিন্নখ্রে। মখোয় মঙাগী মনুংদা অনীনা দিরেক্টোরেটকী ষ্টাফনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	70.023141
US Dollar	64.161676
British Pound	82.913528
Australian Dollar	47.864229
Chinese Yuan Renminbi	9.307348
Japanese Yen	0.571101
Malaysian Ringgit	14.851536
Nepalese Rupee	0.625433
Russian Ruble	1.120876
Singapore Dollar	45.992228
South Korean Won	0.056695
Thai Baht	1.858894
Myanmar Kyat	0.04749
Bangladesh Taka	0.77545

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	29475.94
Mumbai	–	Rs	30117.65
Delhi	–	Rs	29839.57
Kolkata	–	Rs	29967.91

HL POLL

Q : National Highway No. 2 gi Kangpokpi mayada ngaihak leitana driver faribasi police ta asoiba leibagira?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Oil tankershinggi driver amasung handymanshing ngaknanaba laothorakliba thoushil penningai oibra?

Yes 42% No 58%

অস! লোইরেহে!

নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা লোইশিনগদবা থবক ৫৭কী লিষ্ট কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে

'লন্নাই মহৈশঙশিং চল্লাইবগী কাঙলোন শেম্লগনি'

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা মীয়ামগী য়াইফননবা থবক ৫৭ লোইশিন্নবা ঙসি ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমনা ৱারেপ লৌখ্রে।

পাঙথোক্কদৌরিবা থবক ৫৭ অসিগী মনুংদা এদ্যুকেসন সেক্টরগী ওইনা লন্নাই মহৈশঙশিং অমসুং লন্নাই ট্যুসন সেন্টর-শিং কাঙলোন অমগী মখাদা চল্লাই-হন্নবা লৈঙাক্লা থবক লৌখৎপা য়াওরে।

অপীবা মতমগী মনুংদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর, ট্রান্সপোর্ট, পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট, হোম, আর্ট এন্দ কলচর, পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনীয়ারিং দিপার্টমেন্ট, ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট, পাৱর, দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স, টুরিজম, রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ, এদ্যুকেসন, প্লানিং, সোসল ৱেলফেয়র, মাহুদ, মাইনোরিটিজ এন্দ বেকৱার্দ ক্লাসেস অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লোইশিনগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমগী তুংদা থোকখিবা লৈঙাক্কী চেরোল অমনা হায়, হোম, দি পি,

মাহুদ, সোসল ৱেলফেয়র অমসুং লেবরগী মখাদা পায়খৎকদবা মরুওইবা থবকশিংদি সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসন হাংদোকপা অমসুং কম্যুনিটি পুলিসিং সিষ্টেম; গ্রেদ থ্রী অমসুং ফোরগী থবক লৌবদা ইন্টর্ভিয়ু তৌদবা; পি এম এ ৱাই (অর্বান) গ্রেটর ইম্ফাল য়ৌহনবা; ওল্ড এজ পেন্সনরশিংগী একাউন্ট হাংহনবগা লোয়ননা মশা-মশাদা হকথেংননা পেন্সনগী শেনফম ফংহনবা; বিল্ডিং অমদি কন্সট্রক্সন ৱার্কর ৬০০০তা খুদোংচাবা ফংহনবা অমসুং য়ুমথোঙ খুদিংগী মীওই অমমম্ থবক ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা অসিনচিংবনি।

এম ও বি সী, এস সী ঈ আর টি, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমসুং এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা পায়খৎকদবা মরুওইবা থৌরাংশিংদি ফমুং ৬৪৫ গা লোয়ননা ক্লাসরূম ৪৬ অমসুং হোষ্টেল ১৪ শাবা; দি আই ঈ টি ইম্ফাল ইষ্ট মথৌ হৌহনবা; হেল্থ ষ্টাফকী ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগা মরী লৈনবা থৌশিল অমা শেম্বা; উখ্রুল, তমেংলোং, চুড়াচান্দপুর অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা চহী ২ শুদ্রিবা অঙাং ৮,০০০ মপুং ফানা ইম্যুনাইজেসন তৌনবা স্পেসল ইম্যুনাইজেসন দ্রাইব চথবা; দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিং ৱায়রলেসকী খুথাংদা শম্নহনবা; এস দব্লিয়ু এ এনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরস মনুং চন্না লৈবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিং শম্নহনবা; মণিপুর সাইন্স সেন্টরদা ফম্ফম ৫০ থাবা দিজিটেল প্লানেটেরিয়ম শেমগৎপা অমসুং কুমজা ২০২০ ফাওবদা লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনী হেনগৎহন্নবা থৌশিল পুথোকপা য়াওরি।

অতে পায়খৎকদৌরিবা থবকশিংগী মনুংদা ট্রান্সপোর্ট, এদ্যুকেসন, রুরেল দিভলপমেন্ট, পী দব্লিয়ু দি অমসুং দি আই পি আরগী মখাদা পায়খৎকদবা মরুওইবা থৌরাংশিংদি মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট হিংগৎহনবগা লোয়ননা দ্যুলালেন্দদা আই এস বি টি মথৌ হৌহনবা; প্রাইভেট স্কুল অমদি প্রাইভেট ট্যুসন সেন্টরশিং রেগ্যুলেট তৌবা; চীফ মিনিষ্টর/এদ্যুকেসন মিনিষ্টর/দিরেক্টর এদ্যুকেসন (য়ু) অমসুং গভর্ণমেন্ট কোলেজশিংগী মরক্তা ভিদিও কনফরেন্সকী ফেসিলিটি শেমগৎপা; পঞ্চায়ট ১৬১ মক্তা এম জি এন ঈ আর জি এসকী মখাদা ঈ-পেমেন্ট হৌদোকপা; ষ্টেটকী জিল্লা পরিষদ মরিমক্কী ওফিস কমপ্লেক্স কম্মিসন তৌবা; দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরস অমদি মসিগী মনুংদা লৈবা লন্বীগী অহোবশিং মেনবা; নেসনল হায়ৱেদা মাওদগী ইম্ফাল ফাওবগী শোকচিল্লবা লন্বীগী ফীভম শেমজিনবা অমসুং মণিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট ৱেলফেয়র ফন্দ লোঞ্চ তৌবনচিংবনি।

হোর্টিকলচর, আর্ট এন্দ কলচর, পাৱর, ফাইনান্স, প্লানিং, পি ঐচ ঈ দি অমসুং টুরিজমগী মখাদা পায়খৎকদবা মরুওইবা থবকশিংদি লৌমী ৫,০০০ দা ওর্গানিক ফার্মিং তৌহনবা; স্কুলগী অঙাংশিংদা ম্যুজিক তন্বীবা; চান্দেল, চুড়াচান্দপুর, সেনাপটি, উখ্রুল অমদি তমেংলোংগী খুঙ্গং ৭৭ তা মৈ ফংহনবা; ষ্টেটনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

রাজ্য সভা-এম পি মীখলগী মতম মে ২৫ দা লেপখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস) : রাজ্য সভাদা এম পি ওইরম্বা হাজি অব্দুল সলামনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৮ দা লৈখিদ্রবা তুংদা হাংদুনা লৈরবা ফম অসি মেনশিন্নবা ঙসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না চেরোল অমা থোকখ্রে।

চেরোল অসিগী মতুং ইন্না রাজ্য সভাদা মণিপুরগী এম পি ওইগদবা মীশক খন্ননবা মীখল থা অসিগী ২৫ দা পাঙথোক্লগনি। মীখল অসিগী নোটিফিকেসন থা অসিগী ৮ দা থোক্কনি। অদুগা মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা মে ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎ ওইগনি। মীরেপশিংগী স্ক্রুটিনি মে ১৬ তা পাঙথোক্কনি অমসুং মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনা মে ১৮ নি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীখল মে ২৫ গী অয়ুক্কী পুং ৯ দগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ভোট মশীং মে ২৫ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দগী থিগনি। মীখলগী থবক থৌরম পুম্নমক মে ২৭ কী মমাঙদা লোইশিনগনি হায়রি।

রাজ্য সভাদা উড়িষাগী এম পি ওইরম্বা বিষ্ণুচরন দাসনা চহী অসিগী মার্চ ২১ দা ফম থাদোকখ্রবা তুংদা হাংদুনা লৈহৌরিবা মহাক্কী মফম অদু মেনশিন্নবগী মীখলসু মণিপুরগা চপ মান্ননা নোংমতদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্বলিগী এম এল এ ৬০ না খনগদবা মীখল অসিদা কনা-কনা মীরেপ ওইগদগে হায়বা চপ চানা লেপথোক্লবা অমফাওবা লৈত্রি। অদুমকপু রাজ্য সভাদা মাইনোরিটি তারিবা বি জে পিনা মেজোরিটি ফংননবগীদমক এম পি অমফাওবা চোইথোকহন্দনবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা লৈবা মরম্না বি জে পিগী ওইবা মীরেপ অমা শোয়দনা পুথোক্কদৌরি।

বি জে পিগী মীরেপ অসি কনা-কনানা লম্বা তৌনগদগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রবসু কোংগ্রেসকী মায়কৈদগীসু মীরেপ পুথোক্লবা য়াই হায়না লৌনরি। মখা লামায় ৩ কলম ৪

কে এস এ : বোসেমগী সেক্রেটরি হয়েং ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্ত্রবদি জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): পাউখুম চে য়েংবদা অরানবা তৌবদা চেন্নরিবা বোসেমগী সেক্রেটরি অমসুং লৌতুনবদা য়াওবশিং থা অসিগী ৫ ফাওবগী মনুংদা থবক্তগী লৌথোক্ত্রবদি মে ৫ গী অহিং নোংয়াইদগী ৬ কী অহিং নোংয়াই ফাওবা এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা লোইশঙশিংগী অকোয়বদা পব্লিক কর্ফিয়ু থমগনি হায়না কে এস এনা লাউথোকখ্রে।

কে এস এগী ওফিসতা পাউমী-শিংগা উনবদা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি সুখাম বিদ্যানন্দনা হায়খি, পব্লিক কর্ফিয়ু তৌরবা ফাওবদা মরাল লৈরবশিং থবক্তগী লৌথোক্ত্রবদি মে ৭ কী অহিং নোংয়াইদগী ৮গী অহিং নোংয়াই ফাওবা মণিপুর পুম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক চথগনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ক্লাস টেনগী চে য়েংবগী থবক অসিদা পিছ এন্দ ফ্রীদম একাদেমীগী ওজা টি অমুবীনা পাউখুমচেদা মহৈরোয় মমিং ইশিনবা অমদি মরক্কী চে শেগায়রগা অতোপ্পা অমা হাপচিন্নবা তৌরম্বা থৌওং অদু কন্দেম তৌই।

বোর্দ অসিগী সেক্রেটরিনা ইনশিন্দুনা ওজা খরগা লৌতুনরগা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মীফম অমা ফমদুনা মীফম অদুদা সেক্রেটরিনা চেন্নরিবা ওজা টি অমুবীবু পুরক্তুনা লান্না তমশিন্দুনা ওজাশিংগী মরক্তা ঈরাং হৌহন্নবা থৌরাং তৌখিবা অদু কে এস এনা য়াবা ঙম্লোই। লাল্লে হায়জবগী মহুৎতা ওনখৎতুনা নশাগী নরাল কুপশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি খুদক্তগী লেপকদবনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, বোসেমগী অমোৎপা থবক থৌরম-শিং অসিগী মতাংদা মীয়াম্মা হায়নরকপদগী এসোসিএসন অসিনা কুপ্পা থিগৎতুনা লাকখিবনি। মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২২ দসু চহীগী মেরিটোরিয়স এৱার্দকী পীগদবা প্রাইজশিং পীথোক্তবা অমদি অমোৎপা কয়াগী মতাংদা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনখিবদগী লৈঙাক্লা মীৎয়েং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ঐচ এস এল সী এগজামিনেসনগী চে য়েংবা লেপখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট (ঐচ এস এল সী) এগজামিনেসনগী চে য়েংবদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা চে য়েংলিবা ওজাশিংনা কে এস এগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চে য়েংবা লেপখ্রে।

ওজা অমনা কোদ নম্বরগা কোন্নবা মহৈরোয় অমগী মমিং মথাশিং য়াওবা পাউখুম চে য়েংলম্বা ফাবগী থৌদোক থোকখ্রবা তুংদা ঙসি খোঙজং অসিগা মরী লৈননা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা চে য়েংলিবা ওজাশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)গী সেক্রেটরি পি ঐচ শরতচন্দ্র, এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লর ফুলচান্দসু লাক্তুনা ওজাশিংগী খোঙজংদু হন্দোকপীনবা আপিল তৌখি।

বোর্দকী মায়কৈদগী থল্লকপা ৱাফমশিং ওজাশিংনা য়াখিদবগা লোয়ননা অরানবা ওজা অমবু চৈরাক পীবগী মহুৎতা ওজা খুন্নাইবু অমুবা তৈশিন্নবা হোৎনরিবা বোর্দকী ওফিসলশিং অমদি কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট'স এসোসিএসন (কে এস এ)না লৈবাক মীয়ামদা লাল্লে হায়না পাউচেগী খুখাংদা শেংদোক্ত্রিবা ফাওবা চে য়েংবগী থবক মখা তানা চথখিরোই হায়না ৱারেপ্পখ্রে।

মীফমদুদা শরুক য়াখিবা হেদ ওফ এগজামিনর, মেথমেটিক্স ঐচ জয়েন্তনা হায়খিবদা, ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদু মহাক মশা অমদি এদিসনেল হেদ ওইরিবা ওজাশিং অমত্তা খঙহৌদে। পাউ-চেগী খুখাংদা খঙলকখিবনি। অরানবা থৌওং চথরল্লিবা পিছ এন্দ ফ্রীদম একাদেমী, থৌবালগী মেথসকী ওজা টি অমুবীবু বোসেমগী এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লর নৎত্রগা কে এস এনা ফাবা মতমদা মখোয়দা খঙহল্লম্বা লৈতে। ওজা অমনা অরানবা তৌরগা ওজা খুন্নাইবু ইকায়বা পীবদি ফত্তে। ওজাশিংগী চঙশিনফম থোকপা খোঙজং চঙশিল্লবসু মহৈরোয় খুন্নাইদা শোকপা য়াবা থবকশিং তৌদনা চে য়েংসি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু ওজাশিংনা য়াখিদে।

খোঙজংদুগী মতাংদা এগজামিনর কয়ানা মখোয়-মখোয়গী অপাম্বা মোত ফোঙদোক্লখি। দোন বোস্কো স্কুল লাংজিংগী সাইন্স এগজামিনর নিংথেম মনি ওইনামনা হায়, মেথমেটিক্স সেক্সন (বি)গী ওজা অমনা অন্সর পেপরগী মনুংগী চে লৌথোক্লগা অনৌবা হাপচিল্লম্মী হায়না এগজামিনেসন কন্ট্রোল্লরনা ফারবা মতুংদা ওফিসল ওইবা এক্সন লৌখৎতনা কে এস এগী খুখাংদা পাউ-চেশিংদা ওজা ময়ামবু লান্না উহনবা থৌওংনি।

ওজাশিংগী সিন্সরিটি অমদি দিগ্নিটি শোকপা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবদু ওজাশিংনা তরায়না লৌদে। চহী কয়া থম্মোয় শেংনা চে য়েংদুনা লাকপা ওজাশিংবু শেল ...মখা লামায় ৩ কলম ২

কৈথেলমানবীদা ট্রক অমগী দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেন কিদনেপ তৌরুরে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস) : নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা গুৱাহাটিদগী পোৎচৈ পুদুনা লাকপা ট্রক দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেন সুদা লৈবা কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবা খরনা কিদনেপ তৌরুরে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। টাইল পুদুনা লাকপা ট্রক (এএস০১ দিসী/০৭২৩) অসিনা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কৈথেলমানবী য়ৌরকপা মতমদা খুৎলায় পায়বা কে এন এফনি চিংনবা মীওই খরনা গাড়ী অদু নমদুনা খাল্লবা মতুংদা গাড়ীগী দ্রাইভর অমদি হেন্দি-মেন অদু চীংথক্লোমদা পুখৎখিবনি হায়রি। মতুংদা ট্রক অদুগী মপুদা মখোয়গী থাদোকমন ওইনা লুপা লাখ অনীগী দিমান্দ তৌরকখি হায়রি।

পাউ অদু হেক তাবগা খুদক্তা কাংপোকপী পুলিস অমদি কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা ট্রক দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেন অদুগী খোঙ্গুন লীরুবদা পুং ১২.১০ রোম তাবা মতমদা মখোয় অনীমক কৈথেলমানবীগী চীংথক অমদা থাদোক্লমখি হায়রি।

কে এন এফনি হায়বা কাঙবুনা ফারুবা ট্রক দ্রাইভর অদুগী মমীং অব্দুল সমদ (৩২) অপোকপা অব্দুল মানব কৌই। মহাক ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর ৭ তা লৈবনি। অদুগা সেকেন্দ দ্রাইভর অদুনা অবতাব ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

য়ুমথোঙগী থবক, থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবগী মতাংদা ষ্টেট মিসন লোঞ্চ তৌনবা ৱারেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭-১৮ দগী হৌরগা চহী ৫গী মনুংদা য়ুমথোঙ খুদিংদা থবক ফংহনবা, টোটি ঈশিং ফংহনবা অমসুং মশাগী য়ুম লৈহন্নবগী পান্দমদা ষ্টেট কেবিনেটনা ঙসি ষ্টেট মিসন ওন ইমপ্লোয়মেন্ট, হাউজিং এন্দ দ্রিঙ্কিং ৱাটর ফোর ইচ হাউস-হোল্ড লোঞ্চ তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ময়াই তাংবল লৌদুনা চীফ মিনিষ্টর'স সেক্রেটরিয়েটকী কেবিনেট হোলদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

কম্যুনিটি মোবিলাইজেসন, ট্রান্সপরেন্সি অমসুং য়ুনিভর্সেল কবরেজনা মখোঙ অহুম ওইহল্লগা মিসন অসি পায়খৎকনি। তোঙান-তোঙানবা সেন্ট্রেল স্পোন্সর্দ স্কিম (সী এস এস)কী ফন্দ শীজিন্নরগা থৌরাং অসি লৌখৎকদবনি হায়রি। মিসন অসিগী মখাদা মণিপুরগী ব্লোক খুদিংমক্তা অখন্নবা খুঙ্গংশিং খনগৎলগা চাদা ১০০ গী চাংদা থবক ফংহনবা, মশাগী য়ুম লৈহনবা অমসুং টোটি ঈশিং ফংহনবগী থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি।

তাঙ্কক মঙা থোক্লা পায়খৎকদৌরিবা মিসন অসিগী মখাদা য়ুমথোঙ ৭,৫০,০০০ দা থবক পীবা; ইমুং ৮৬,০০০গী য়ুম শাবীবা অমসুং ইমুং ৪,৬৩,৬২০ দা থক্লবা টোটি ঈশিং ফংহনবগী ৱাফম য়াওরি। চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না তাঙ্কক অমমম্দা ইমপ্লোয়মেন্ট, হাউজিং অমসুং টোটি ঈশিং ফংহনগদৌরিবা য়ুমথোঙশিংদি মথংশিংনা ১,৫০,০০০; ১৭,২০০ অমসুং ৯২,৭২৪ নি হায়রি।

মিসন অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা গভর্নিং কাউন্সিল অমা, চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংবা একজিক্যুটিব কাউন্সিল অমা অমসুং দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা লুচিংবা দিষ্ট্রিক্ট একজিক্যুটিব কাউন্সিল য়াওগনি। মিসন অসিদা মরী লৈনবা এম এল এশিংনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ১০০, য়ু কেস ৫০ রোম নার্কোটিক্স সেলনা ফারে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট নার্কোটিক সেল পুলিসকী ও সী কে. রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিমনা ঙসি ময়াই কাবা চীঙাক ৱর্ল্দ ইজ য়োর (দব্লিউ ৱাই) টেব্লেট লুপা লিশিং য়াঙ্খ্রে, য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌ য়াওনা পুন্না লুপা লাখ অনীরোমগী মমল ওইগদবা পোৎলমশিং ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফারে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং ১.৪৫ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা হিজম য়াইচমপাৎ মনাক্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট নার্কোটিক সেলগী ও সীনা লুচিংবা টিম অমনা চপ চাবা পাউ অমা ফঙবদগী মফম অদুদা চাইথোক্তুনা লৈরিঙৈদা নুপা অমা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট মরু ১০০ গা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফারবা নুপা অদুগী মমীং মককময়ুম তায়েব আলি এলিয়জ ইথেম (৪২) অপোকপা নজির আলি কৌই। মহাক লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লিলোং তুরেল অহনবী দামদা লৈবনি হায়রি।

মঙোন্দগী দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ১০০ রোম ফাগৎপা ঙমখি। হায়রিবা টেব্লেট অসি মরু অমদা লুপা ৫০০ রোম পীবনি হায়রি। হায়রিবা টেব্লেট অসি অমত্তং চারগা দান্স তৌবদা হকচাং অসি চোকথদে হায়রি।

তায়েব আলি মোইরাংখোমদা লৈবা ফর্নিচর হাউস অমদা উ শুবা য়াওবনি হায়রি। ঙসি মহাক্লা লিলোংদগী থবক শুফমদা লাকপদা ময়াই কাবা চীঙাক দব্লিউ ৱাই টেব্লেট অদু ৱাহেংবম লৈকায়দা লৈবা ধোনি কৌবা চহী ৪০ রোম শুরবা মীওই অমদা পীনবা পুরকপনি হায়না মহাক্লা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখি।

মহাক মমাংদা অসিগুম্বা গুলি য়োনবগী থবক অসি তৌখিবা লৈতে। ঙসিগী অসিনা অহানবা হায়না ফোঙদোরকখি। গুলিগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু নার্কোটিক সেল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা, ইম্ফালগী থাঙ্গাল কৈথেল, এম জি এভেন্যুদা লৈবা য়ু য়োনবদা মমীং চৎপা, মীয়াম্না চন্দু হায়না খঙনবা মীওই অসিগী দুকানদা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট নার্কোটিক সেল পুলিসকী টিম অমনা সিবিল দ্রেসতা লাক্তুনা রেইদ চথবদা য়াম্লবা য়ুঙাং ফাগৎখ্রে। মসিদা নত্তনা টিম অসিনা ইম্ফালগী পোলোগ্রাউন্দ মনিংদা লৈবা য়ু য়োনফম ভেন্দরশিংদগীসু য়ু ময়াম ফাগৎখ্রে হায়রি। মখা লামায় ৩ কলম ৬

এম এল এ হোর্স ট্রেদিংদগী হেন্না চাউবা করপসন করি লৈরি : জয়কিষন

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস) : শেঙ্গা-থুমজা মুখৎকনি হায়রিবা বি জে পিনা এম এল এ হোর্স ট্রেদিং তৌরিবা অসিদগী হেন্না চাউবা শেঙ্গা-থুমজা করি লৈরিবগে হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী ৱাঙাঙলোয় ওইরিবা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভৱনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এম এল এ জয়কিষনন হায়খি, বি জে পি লৈঙাক্লা এম দি এসকী মতাংদা থিগৎনবা সী বি আইদা শীন্নরগনি হায়বা ৱাফম তরাম্না ওকই। অশোয়বা পুথোক্লগা চেন্নবা মী চৈরাক পীবা হায়বসি অফবা খোঙথাংনি। অদুবু এম দি এসকী মথক্তা থিজিন্নবা সী বি আইদা শীন্নবগী মরম করিনো হায়বদু নিংথিনা খঙহনফম থোকই।

বি জে পিনা মীখলগী মতমদা খুৎলায় ওইনা হেক হেক শীজিন্নখিবা লোক্তাক স্কামগী ৱাফমদি করি ওইখ্রবগে। কুমজা ২০১৭ কী মীখলদসু লোক্তাক্কী ৱাফম খুৎলায় ওইনা শীজিন্নখিবনি। বি জে পি লৈঙাক্লা হৌজিক সী বি আইদা শীন্নদ্রিবা করিগীনো। লোক্তাক স্কামগী মতাংদা তাং কয়া ফাওবগী মনুংদা সী বি আইদা শীন্নগদগে হায়বদু লাউথোক্লবদি অচুম্বা তৌবনি হায়বদু খঙগনি।

শেঙ্গা-থুমজা মুখৎকনি হায়রিবা বি জে পিনা এম এল এ হোর্স ট্রেদিং তৌরি। এম এল এ হোর্স ট্রেদিং তৌবদগী হেন্না চাউবা শেঙ্গা-থুমজা করি লৈরিবগে। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কন্সটিট্যুসন্না মহাক্কী লাইনিং-লাইশোন্নি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

মণিপুরদা কন্সটিট্যুসনগী চৎন-কাঙলোন তরাশুবা সেদ্যুল থুগায়রগা থবক তৌরি। এম এল এ কয়া তরাশুবা সেদ্যুলগী চৎন-কাঙলোন থুগায়দুনা লৈরে। লাক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসন অসিদা তরাশুবা সেদ্যুলগী চৎন-কাঙলোন অসি হেন্না কনশিন্নবা ৱাফমশিং পুথোকপীয়ু হায়না এ আই সী সীগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিদা তকশিল্লুনবগীদমক এম পি সী সীগী টিম অমা অথুবদা চৎলগনি। কন্সটিট্যুসনগী তরাশুবা সেদ্যুল অসি নিংথিনা চৎন-হন্নবগীদমক ...মখা লামায় ৩ কলম৪

ঈ-পাঙ্গা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্বের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫